# লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ হরিরি সাউদি খোঙচৎতা লৈরিঙৈদা মফম থাদোকখ্রে



বৈরুট, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : লেবাননগী প্রাইম মিনিষ্টর সাদ হরিরি থাংজ নুমিৎতা সাউদি অরাবিয়াদা খোঙচৎ অমা চৎলিঙৈদা মফম থাদোকখ্রে। খঙহৌদনা থাংলক্লিবা খোঙথাং অদুনা রিজনেল টেন্সন মরক্তা লৈবাক অদুবু হায়ফম খঙদবা ফিভম অমদা লৈহনখ্রে হায়রি।

সাউদি কেপিটেল রিয়াধতগী টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙলদুনা হরিরিনা ইরান অমসুং লেবানিজ হেজবোলাহ গ্রুপকী থৌওংশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়না অরাব এফেয়র্সতা খূৎ থিংজিল্লে হায়খি। মহাক্না মখা তারদুনা লমদম অদুদা ইরানগী মশা মরেংশিং ককথৎলগনি হায়খি।

ইরাননা লমদম অদুদা শন্দোক্লিবা ফৎতবশিংগী মহয় কয়া লৈবাক অসিনা ফংগনি হায়না হরিরিনা ফোঙদোকখি অমসুং টেহরানবু লমদম অদুগী মফম খূদিংমক্তা কাংখোং চাইবা, মান্নদবা অমসুং মাঙ-তাকপগী ফিভম শন্দোক্লে হায়না মরাল শীখি।

হরিরিবু কুমজা ২০১৬ কী অথেংবদা প্রাইম মিনিষ্টর খনখি অমসুং মহাক্না সিয়াইট মিলিটেন্ট হেজবোলাহ য়াওবা মেম্বর ৩০ গী নেসনল য়ুনিটি কেবিনেট অমা লূচিংখি। গভর্নমেন্টনা লৈবাক অদুদা যূল্লোন্নবা সিরিয়াগী সিভিল ৱারগী ইফেক্টশিং চঙহন্দবা ঙমখি। লৈবাক অদু কেম্প অনী থোক্না খাইদোক্তুনা খাইবুং-খাইবুং লৈনরি। কেম্প অদুনা সুনি মুস্লিম হরিরিনা লূচিংদুনা সাউদি অরাবিয়াদা লোয়েল ওই অমসুং হেজবোলাহনা রিপ্রজেন্ট তৌবা কেম্প অমনা ইরানদা লোয়েল ওই।

হরিরিনা থাংজ নুমিৎতা রিজাইন তৌখিবসিনা লৈবাক অদুদা টেন্সন খংহেন-হেনগৎহল্লগনি হায়না থাজনরি। মহাক্কী স্পীচতা মহাক্না মহাক্কী পুন্সি খুদোংথীবা মায়োক্নবা য়াই হায়বগী অকিবা ফোঙদোকখি অমসুং লৈবাক অদুদা হৌজিক লৈরিবা ফিভমদু লৈখিদ্রবা মহাক্কী মপা মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টর রাফিক হরিরিবু কুমজা ২০০৫ দা হাৎত্রিঙৈগী মমাঙদা লৈখিবা ফিভমদুগা মান্নে হায়খি।

হেজবোলাহগী মেম্বর কয়া মীহাৎ অদুগা মরী লৈননা য়ু এননা শৌগৎপা ট্রাইব্যুনেল অমনা নেদরলেন্দসকী হেগতা মশা য়াওদনা ৱায়েল চত্থরি। অমরোমদা হেজবোলাহনা মখোয় মীহাৎ অদুদা চেন্নদে হায়রি।

হেজবোলাহগী পোলিসিশিংনা লেবাননবু খুদোংথীবা নংহনগদৌরে হায়না সাদনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

# লানগীদমক শেম-শানবা সি জিনপীংনা চাইনিজ মিলিটরিদা অমুক হন্না অপীল তৌখ্রে



বৈজিং, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : প্রসিদেন্ট সি জিনপীংনা চাইনিজ আর্মদ ফোর্সেসতা মখোয়গী কম্বেট কেপেবিলিটিশিং অমসুং লানগীদমক শেম-শাবগী ফিভম ফগৎহন্নবা ইনষ্ট্রক্সন পীখ্রে হায়না ওফিসল মীদিয়া রিপোর্ট অমনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনা (সী পি সী) সেন্ট্রেল কম্মিটিগী জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসন (সী এম সী) গী চ্যেরমেনসু ওইরিবা সিনা কম্মান্দর ইন চীফ ওইনা সী এম সী জোইন্ট বেট্টল কম্মান্দ ইনষ্ট্রক্সন পীরিঙৈদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

সী এম সীনা আর্মদ ফোর্সেসপু লান শোক্নবা অমসুং লানদা মায় পাক্নবগীদমক লমজিংগদবনি অমসুং পার্টিনা অমসুং মীয়াম্না মখোয়দা শিন্নবা অনৌবা মতমগী থবকশিং অমসুং মিসনশিং পায়খৎকদবনি হায়না সিগী ৱারোল পল্লদুনা ষ্টেটনা রন তৌবা সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

সী এম সীনা পর্সনেল মিলিয়ন ২.৩ লৈবা মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা আর্মি-চাইনিজ পি এল এগী কম্মান্দ অপূন্বা পায়।

মসি হৌখিবা ওক্টোবর ২৪ দা লোইখিবা রুলিং সী পি সীগী মরুওইবা কোংগ্রেসনা সিবু অমুক হন্না শৌগৎখিবগা লোয়ননা মহাক্না মহাক্কী অনীশুবা টার্ম পায়বা হৌখিবদগী আর্মদ ফোর্সেসকী থৌদাং হাইলাইট তৌবা অনীরকশুবনি। মহাকপু অমুক হন্না পার্টিগী প্রসিদেন্ট অমসুং জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং মিলিটরিগী মকোক খনখি।

চহী মঙাগী মনুংদা অমুক্তং পাঙথোকপা সী পি সীগী কোংগ্রেসনা মহাকপু অতোপ্পা টার্ম অমগসু লূচিংবা ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা মতুংদা মহাক্কী পাৱর বেজ লাকফম ওইরিবা টোপ মিলিটরি ওফিসলশিংগী মীফম অমগা লোয়ননা সিনা ওক্টোবর ২৬ তা মহাক্কী অনীশুবা টার্ম পায়বা হৌখি।

কোংগ্রেস অদুনা মঙোন্দা মতিক ময়ায় লৈরবা ষ্টেটস অমসু পীদুনা মহাকপু পার্টি হৌদোকখিবা মাও জেদোংগা মান্নহন্দুনা কনষ্টিট্যুসনদা মহাক্কী ৱাখল্লোনশিং য়াওহনখি।

মতিক ময়ায় লৈরবা সেন্ট্রেল মিলিটরি কম্মিসনবু লূচিংলিবা মশাগী চহী ৬৪ শুরবা সি অসি আর্মদ ফোর্সেসকী টোপ ওফিসলশিংনা থল্লবা বোদি অদুদা অমতা ঙাইরবা সিভিলিয়ন লীদরনি। মিলিটরিগী মকোক থোংবা লীদরশিংগা উনবদা সিনা মখোয়দা পার্টিদা মপূং ফানা থাজবা থম্নবা ওর্দর তৌখি।

# ভিয়েটনামদা টাইফূন দামরিনা মীওই ১৯ শিহনখ্রে



হানোই, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : ভিয়েটনামগী ময়াই থংবা অমসুং খা থংবা শরুকশিংদা টাইফূন দামরিনা য়ামদ্রবদা মীওই ১৬ শিহনখ্রে হায়না গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে। এসিয়া-পেসিফিক লীদরশিংগী ওইবা অপেক সম্মিটকী মাঙওইননা শাথীরবা নোংলৈ নুংশিৎ অদু লৈবাক অদুদা শিৎচিল্লকখিবনি।

টাইফূন দামরি ইরাই নুমিৎকী লোকেল মতমদা অয়ুক্কী পূং ৪ (জিএমটি ২১০০) দা পূংদা কিলোমিটর ৯০ ফাওবা য়ৌবা খোঙজেলগী নুংশিৎশিংগা লোয়ননা শাফু কন্না লৈবাক অদুদা য়ৌরকখি। মদুনা যূমথক ১০০০ হেন্না মাঙহন তাকহনবগা লোয়ননা ইলেক্ট্রিসিটি পোল চা কয়া তুহনখি অমসুং উকয়া মরূ ফুকখি।

য়ামদ্রবদা মীওই ১২ থীবা খঙখিদ্রে অমসুং যূম ৩৭০ হেন্না মাঙ-তাকখ্রে হায়না কম্যুনিষ্ট ষ্টেট অদুগী সর্চ অমসুং রেস্ক্যু কম্মিটিনা ফোঙদোকখ্রে। টাইফূন অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ৩০০ হেন্না শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোকহনখ্রে হায়রি।

গভর্নমেন্টনা মমাঙদা ফোঙদোক-খিবদা সাউথ চাইনা সীদা মীওই ৬১ তোংবা সিপ তরুক ঈশিংদা লাকখ্রে অমসুং মীওই ২৫ দি রেস্ক্যু তৌরে হায়না ফোঙদোকখি তৌইগুম্বসুং অতৈ মীওইশিংগী মরাইবক্কী মতাংদা অকুপ্পশিংদি ফোঙদোকখিদে।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু মথং চয়োলদা এসিয়া-পেসিফিক ইকনোমিক কোওপরেসন (অপেক) সম্মিট পাঙথোক্কদৌরিবা কোষ্টেল সিটি দানাংগী খারোমদা কিলোমিটর ৫০০ রোম লাপ্পা হা রাং সিটিগী মনাক্তা ইহান হান্না থুংখি।

দানাংদা নুংশিৎ কন্না শিৎপা অমসুং নোং কন্না তাবগী রিপোর্টশিং লৈখি, তৌইগুম্বসুং মীশি-মীনাশিংগী ওইবা খুদক্কী রিপোর্টশিংদি লৈখিদে। সিটি অদুনা থৌবু ওইদুনা নবেম্বর ১০ দগী য়ু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প, চাইনাগী সি জিনপীং, রশিয়াগী ৱ্লাদিমির পুটিন অমসুং অতৈ অপেককী মেম্বরশিংগী লেংমান্নবশিংনা শরুক য়াবা সম্মিট হৌরগনি।

# মর্কেলনা পার্টি অহুমগী কোলিসন য়াগনি হায়না থাজরি



বর্লিন, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : জর্মন চান্সলর এঞ্জেলা মর্কেলনা মহাক্কী কঞ্জর্ভেটিভশিংনা গ্রীনশিং অমসুং প্রো-বিজনেস ফ্রী ডেমোক্রেটশিং (এ ডি পি) গা কোলিসনগী দীল অমা পুরকপা য়াগনি হায়না ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। তৌইগুম্বসুং মহাক্কী পার্টনর ওইগদৌরিবশিংদুনদি হৌজিকসু ৱারী শানবদা মায় পাক্তবা য়াই হায়খ্রে।

হান্নগী মহাক্কী কোলিসন পার্টনরশিং, সোসল ডেমোক্রেটস (এস পি ডি) না ওপোজিসনদা লৈনবা ৱারেপ লৌখিবগা লোয়ননা মর্কেলনা ইকোলোজিষ্ট গ্রীনশিং অমসুং প্রো-বিজনেস ফ্রী ডেমোক্রেটস (এফ ডি পি) গা কোলিসন অমা শেম্নবা হোৎনরি।

লাক্লিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ঐখোয়না অরুবা খন্ন-নৈনবা খরা পাঙথোক্কদৌরি হায়না মর্কেলনা ঙরাং নৌনা ৱারী শাননবা থুংখিবা মতমদা পাউমীশিংদা হায়খি। 'ঐখোয়না তশেংনা কন্না হোৎনরবদি অসিগুম্বা কোলিসন অমা শোয়দনা শেম্বা ঙমগনি হায়না ঐহাক্না থাজে।'

নেসনল লেভেলদা থবক পাঙথোক্ত্রিবা মর্কেলগী কোলিসন পার্টনরশিংদু নীংথীনা থৱায় য়াওনা থবক তৌমিন্নবা চঙলি নৎত্রগা মহাক্কী পাৱর চহী ১২ গী মতুংদা লোইশিনবা য়াবগী ফিভম লৈ হায়রি।

# ট্রম্প কেম্পেনগী তেংবাংলোয়না ২০১৬ তা রশিয়ন ওফিসলশিংগা উনখি : ন্যু য়োর্ক টাইমস



ন্যু য়োর্ক, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : দোনাল্ড ট্রম্পকী প্রসিদেন্সিয়ল কেম্পেনগী ফোরন পোলিসি এদভাইজর অমনা হৌখিবা চহীদা রশিয়ন গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিংগা উনখি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

এদভাইজর অদুনা চয়োল অসিদা কোংগ্রেস্নেল কম্মিটি অমদা পীখিবা ৱারোল পল্লদুনা পাউচে অদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

হন্দক থা খরা অসিদা পাঙথোকখিবা মীদিয়া ইন্টরভ্যুশিংদা এদভাইজর কার্টর পেজনা হৌখিবা ২০১৬ কী জুলাইদা মোস্কোদা চৎলিঙৈ মনুংদা রশিয়ন গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিং উনখিবগী ৱাফম য়ানিংদবা ফোঙদোকখি নৎত্রগা মহাক্না স্কোলরশিংনা অয়াম্বা ওইনা উনখি হায়খি হায়না পাউচে অদুনা ফোঙদোকখি।

পেজনা রশিয়ন গভর্নমেন্টকী ওফিসলশিং অমসুং অতৈশিংগা ৱারী শানরবা মতুংদা য়ামদ্রবদা ট্রম্প কেম্পেনগী তেংবাংলোয় অমদা মহাক্কী মোৎ কয়া ফোঙদোক্তুনা ঈমেল অমা থাখি হায়না টাইমসনা মেসেজ অদুগী মরমদা খঙবা মীওই অমগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

পাউচে অদুনা মখা তারদুনা হায়খি, ঈমেল অদু শগোলশেন নুমিৎতা হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিসকী ইন্টলিজেন্স কম্মিটিদগী মমাঙদা হৌনা পাথোকখি।

পনবা য়াবদি কম্মিটি অসিনা হৌখিবা ২০১৬ কী নভেম্বরগী মীখলদা রশিয়ানা খূৎ থিংজিন্দুনা ট্রম্পবু মায় পাকহন্নবা শিনখিবরা অমসুং ট্রম্প কেম্পেনগা রশিয়াগী মরক্তা অরোনবা মরী লৈনখিবরা হায়বগী মতাংদা খঙদোক্নবা থিজিল্লিবনি।

রশিয়ানা মীখল অদুদা খূৎ থিংজিনখিবা লৈতে হায়রি অমসুং ট্রম্পনসু রশিয়নশিংগা খূৎশম্নখিবা লৈতে হায়রি।

ইরাই নুমিৎতা ন্যু য়োর্ক টাইমসকা ৱারী শানবদা পেজনা ইন্টরভ্যু অদু থোয়দোক্না মরুওইদে হায়না ফোঙদোকখি।

'ঐহাক্না মীওই খরগা ৱাহৈ খরা ঙাঙনখিবদনি অমসুং মদুদগী অহেনবা অমৎতা চত্থখিদে' হায়না পেজনা ফোঙদোকখি। পেজনা মহাক্না উনখিবা মীওই অমদি সিনিয়রনি হায়খি তৌইগুম্বসুং মীওইদুগী মশক্তি শেংনা ফোঙদোকখিদে।

# দোনাল্ড ট্রম্প এসিয়া খোঙচৎকীদমক খোঙশানখ্রে



ৱাশিংটন, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প নুমিৎ ১১ নিগী এসিয়া খোঙচৎকীদমক খোঙশানখ্রে। খোঙচৎ অসিদা মহাক্না জপান, সাউথ কোরিয়া, চাইনা, ভিয়েটনাম অমসুং ফিলিপিন্সতা চৎকনি।

খোঙচৎ অসি চহী ২৫ গী মনুংদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অমনা চৎপা খ্বাইদগী শাংবা এসিয়া খোঙচৎ ওইরগনি।

নোর্থ কোরিয়াগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রাম অমসুং মিসাইল চাংয়েংশিংগা মরী লৈননা টেন্সন হেনগৎলক্লিঙৈদা ট্রম্পনা খোঙচৎ অসি পাঙথোক্লিবনি।

ট্রম্পনা পিয়োংয়াংগী মতাংদা চাইনাবু অকনবা ফিরেপ অমা লৌনবা তকশিনবগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়া অমসুং জপানগা লোয়ননা অপূনবা ফ্রন্ট অমা উৎলবা য়াই হায়না থাজনরি।

প্রসিদেন্ট ট্রম্পনা অহানবদা য়ু এসকী হৱাইয়ী ঈথৎতা পাইশিনখি। মফম অদুদা মহাক্না পর্ল হার্বরগী য়ু এস এস অরিজোনা মেমোরিএলদা ভিজিট তৌখি। কুমজা ১৯৪১ দা জপাননা হার্বর অসিদা এটেক তৌবদগী অমেরিকানা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাউদা য়াওশিনখিবনি।

মহাক য়ু এস পেসিফিক কম্মাণ্ডদা পাঙথোকপা ব্রীফিং অমদা শরুক য়াখি।

হৱাইয়ীদগী মহাক অমসুং ফার্ষ্ট লেদি মেলানিয়া ট্রম্প জপান পাংগনি। জপানদগী অমুক সাউথ কোরিয়া পাংগনি।

ট্রম্পনা মমাঙদা নোর্থ কোরিয়াগা লৈবাক অসিগী বলিষ্টিক মিসাইল চাংয়েংশিংগা মরী লৈননা অকনবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া শীজিন্নদুনা অৱাই-অখুম তৌদুনা ঙাঙন-শক্লখি। তৌইগুম্বসুং তোবংলোয় খরনা চয়োল অসিগী অঙনবদা মহাক সাউথ অমসুং নোর্থকী বোর্দর লৈবা নীংথীনা ঙাক-শেল্লিবা দিমিলিটরাইজ জোন (ডি এম জেদ) দদি চৎলরোই হায়না ফোঙদোকখি।

অদুম ওইনমক মহাক কেপিটেল সিওলগী খারোমদা লৈবা য়ু এস মিলিটরি কমপ্লেক্স কেম্প হমফ্রিদা চৎকনি হায়রি।

ভিয়েটনামদা ট্রম্পনা দানাংদা পাঙথোকপা এসিয়া-পেসিফিক ইকনোমিক কো-ওপরেসন সম্মিটতা শরুক য়াগনি অমসুং হানোইদা ষ্টেট ভিজিট অমা চৎকনি।

মহাক্কী অরোইবা ইনগেজমেন্ট অদু ফিলিপিন্সকী কেপিটেল মনিলাদা পাঙথোকপা সাউথ ইষ্ট এসিয়ন লৈবাকশিংগী সম্মিট অমনা ওইগনি। মমাঙদা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট অমনা এসিয়াদা অশাংবা খোঙচৎ অমা চৎখিবসি জোজ দব্লিয়ু বুশনা কুমজা ১৯৯৪ গী অথেংবা অমসুং ১৯৯২ গী অঙনবদা চৎখিবা খোঙচৎনা ওইখি। খোঙচৎ অদুদা জপানদা লৈরিঙৈদা প্রসিদেন্ট বুশ বংক্কিট অমদা লেকথখি অমসুং হন্দোকখি।

# স্পেননা কাটালান লীদর পিগদেমোন্ট য়ুরোপ পূম্বদা ফানবগী ৱারেন্ট ইস্যু তৌখ্রে



মাদ্রিদ, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : স্পেনিস জজ অমনা মফম তাথ্রবা কাটালান প্রসিদেন্ট কার্লেস পিগদেমোন্ট অমসুং অতৈ সেপরেটিষ্ট লীদর মরিগী মায়োক্তা য়ুরোপিয়ন এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখ্রে।

স্পেনিস ওথোরিটিশিংনা লৈবাক্কী মায়োক্তা লালহৌবা, মীয়াম্বু ঈরাং হৌহন্নবা শিনবা অমসুং পব্লিক ফন্দশিং লান্না শীজিন্নবগী মরাল শীখিবা মতুংদা পিগদেমোন্ট অমসুং হান্নগী মহাক্কী কেবিনেটকী মেম্বর মরি হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা বেলজিয়ন কেপিটেল ব্রসেলজদা চৎখি।

নেসনল কোর্টকী জজ কারমেন লমেলানা মীওই মঙাদু ফাজিন্দুনা থম্নবা বেলজিয়ন প্রোসিক্যুটরদা রিক্বেষ্ট অমা ফাইল তৌখ্রে। মসিদসু নত্তনা করগুম্বা বেলজিয়ম থাদোক্তুনা চেনখিবা মতাংদসু ফাবা য়ানবা য়ুরোপোলবু এলর্ট তৌনবা তোঙান-তোঙানবা ইন্টর-নেসনল সর্চ অমসুং এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ইস্যু তৌখ্রে।

পিগদেমোন্টনা ব্রসেলজদগী ভিদিও কনফরেন্সকী খুত্থাংদা টেষ্টিফাই তৌনবা হায়জরকখিবা অমা মহাক্না (জজনা) রিজেক্ট তৌখি। 'ঐখোয়না ঈ য়ুগী এরেষ্ট ৱারেন্টশিং ষ্টদি তৌরগনি অমসুং মখোয়দু জজ অমদা পীশিনগনি' হায়না বেলজিয়মগী ষ্টেট প্রোসিক্যুটরগী স্পোক্সপর্সন অমনা হায়খি।

মখোয়বু বেলজিয়ন পুলিসনা ফাবা তারবদি পিগদেমোন্ট অমসুং মহাক্কী কোলিগশিং পূং ২৪ গী মনুংদা জজ অমগী মমাঙদা পুথোক্কনি।

বেলজিয়মগী লিগল এক্সপার্টশিংনা এক্সট্রাদিসন তৌবদা নুমিৎ ১৫ নি চঙগনি হায়রি, তৌইগুম্বসুং সেপরেটিষ্টশিংদুনা প্রোসেস অদু অপীল তৌবা তারবদি মখা তানা অতোপ্পা নুমিৎ ৪৫ নি অমগা চঙগনি 'মদুনা মখোয়বু ডিসেম্বর ২১ দা ঙনখৎনা পাঙথোক্কদৌরিবা লমদম অদুগী স্নেপ মীখলদা শরুক য়াবগী মতম মরাং কায়না ফংহনগনি।

মদুগী মমাঙদা পিগদেমোন্টনা মীখলদা শরুক য়াগনি হায়না চেকশিন্না ফোঙদোকখি অমসুং মফম অমদগী হেক্তা মীখলগী কেম্পেন তৌবা য়াই হায়খি। মহাক অচুম্বা ৱারোলদগী লাপথোক্নবা হোৎনরোই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা পিগদেমোন্টনা বেলজিয়ন মীদিয়দা হায়খি, ঐহাক্না জষ্টিসকী ওথোরিটিশিং চৎকনি অমসুং মখোয়বু অশেংবা জষ্টিসকী ওথোরিটিশিংদা ওইগদবনি।

ঐহাক্না ঐহাক্কী লোয়রদা ঐহাক কোওপরেসন পীনবা অমসুং মপূং ফানা শেম-শাদুনা লৈ হায়বসি বেলজিয়ন জষ্টিস ওথোরিটিশিংদা খঙহন্নবা হায়খ্রে।

স্পেনিস জষ্টিস ওথোরিটিশিং পোলিটিকেল ইথিল চঙলে হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংলে হায়না মফম লৌথোকখ্রবা কাটালান লীদরনা মখা তাখি।

শগোলশেন নুমিৎতা জজ লমেলানা মফম তাথ্রবা ভাইস প্রসিদেন্ট ওরিওল জনকেরাস য়াওনা রিজনেল মিনিষ্টর নিপান মতম খরা লৈরগা কোর্টতা অমুক লাক্নবা খঙহনখি।

# বালোচ মিলিটেন্ট কম্মান্দরগী ইমুং থাদোকখ্রে



করাচি, নবেম্বর ৪ (এজেন্সি) : হন্দক্তা ঈরাং কনবা পাকিস্থানগী বলোচিষ্টান প্রোভিন্সতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংদা টার্গেট তৌবগী মরালদা ফাজিন্দুনা থল্লকখিবা বালোচ মিলিটেন্টশিংগী টোপ কম্মান্দর অমগী নুপী অমসুং মচাশিং প্রোভিন্সিয়ল গভর্নমেন্টনা থাদোকখ্রে।

বালোচিষ্টানগী হোম মিনিষ্টর মির সরফরাজ বুগতিনা হায়খি, অথিংবা থমখ্রবা বালোচ লিবরেসন ফ্রন্ট (বি এল এফ) কী চীফ ডা. অলাহ নজরগী ইমুং য়াওনা নুপী অহুম অমসুং অঙাং অহুম হৌখিবা থাদা যূমথংনবা অফঘানি-ষ্টানগী পাকিষ্টানদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লুবদা ফাখি।

বালোচকী চৎনবী ঙাক্লদুনা নুপী অঙাং পূম্নমক থাদোকখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি। অতৈ নুপীশিংদুদা সিক্যুরিটি ওপরেসন অমদা শিখিবা অথিংবা থম্বা বলোচিষ্টান লিবরেসন আর্মি (বি এল এ) গী কম্মান্দর অচো এলিয়স অসলমগী মচে অমসুং বি এল এফকী অতোপ্পা মরুওইবা কম্মান্দর দীলিপকী লোয়নবী য়াওখি হায়না এক্সপ্রেস ট্রিব্যুননা বুগতিগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি।

সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা নুপী অমসুং অঙাং পূম্নমক্তু চীফ মিনিষ্টর নৱাজ সানাউলাহ জহরিদা শিন্নখি অসুং ঐখোয়না মখোয় থাদোকখ্রে। অলাহ নজরগী নুপী মহাক্কী মনাওনুপা মেহরভলাগা লোয়ননা করাচিদা চৎখিবনি হায়না বুগতিনা ঙরাং প্রোভিন্সিয়ল কেপিটেল ক্বেটাদা পাউমীশিংদা হায়খি।

ইনভেষ্টিগেসন মনুংদা মিনিষ্টরনা নুপীশিংদু অথিংবা থম্বা বালোচ আউটফিটশিংদা ফন্দশিং চাইথোকপদা চেন্নে হায়না ফোঙদোকখি। লোনা য়াদবা মওংদা বোর্দর লাল্লগা টেররিষ্টশিংদা ফন্দ য়েল্লম্লবসু গভর্নমেন্টনা মখোয়বু রেসপেক্ট তৌখি। নুপীশিংদু ফাখিবনি হায়বা তোকঙা রিজেক্ট তৌবগা লোয়ননা মিনিষ্টরনা মখোয়দু ফাখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

# ৱাটসঅপ, টেলিগ্রাম মেসেজিং সর্ভিসশিং ব্লোক তৌনবা হোৎনখ্রে



কাবুল, নবেম্বর ৩ (এজেন্সি) : চয়োল অসিদা অফঘানিষ্টানগী টেলিকোম রেগুলেটরনা ইন্টরনেট সর্ভিস প্রোভাইদরশিংদা মেসেজিং সর্ভিসশিং ৱাটসঅপ অমসুং টেলিগ্রাম ব্লোক তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে। তৌইগুম্বসুং মখোয়না মদু ঙাকখিবরা হায়বদুদি খুদক্কী ওইনা খঙবা ঙমখিদে হায়রি।

হন্দক চহী খরা অসিদা অফঘানিষ্টানদা সোসল মীদিয়া অমসুং মোবাইলদা খুদক্তা মেসেজ থাবগী সর্ভিসশিং শীজিন্নবা খংহেন-হেনগৎলকখি। টেলিকোমস রেগুলেটরগী খোঙথাং অদুবু অহানবদা সোসল মীদিয়া য়ুজরশিং অমসুং সিভিল রাইটস গ্রুপশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্লখি অমসুং টেলিকোম রেগুলেটর অতরানা থাখিবা লেট্টর অদু সোসল মীদিয়াদা পাক-শন্না স্যের তৌনখি।

মীদিয়া রিপোর্ট খরনা মশক খঙদবা সোর্ছশিং পল্লদুনা হায়খি মদুদি খোঙথাং অদু টালিবান অমসুং অতৈ লালহৌবা গ্রুপশিংনা ইনক্রিপটেদ মেসেজিং সর্ভিসশিং শীজিন্নবা থিংনবা নেসনল ডিরেক্টরেটনা ওর্দর তৌখিবনি।

রিপোর্টশিংদু খুদক্কী ওইনা কনফার্ম তৌবা ঙমখিদে। টেলিকম্যুনিকেসন্সকী এক্টিং মিনিষ্টর সাহজদ অরয়োবীনা ফেসবুকতা থাগৎপা মেসেজ অমদা অসুন্না হায়খি, কমপ্লেন্ট কয়া ফংবদগী টেলিকোম রেগুলেটর অদুদা মখোয়গী থবক ফগৎহন্নবা সর্ভিসশিংদুবু তপ্প-তপ্না থিংজিন্নবা ওর্দর তৌখ্রে।

গভর্নমেন্টনা ফ্রীদম ওফ স্পীচতা অকায়বা পীদনবা লেপ্পি অমসুং মসি ঐখোয়গী মীয়ামগী বেসিক সিভিল রাইটনি হায়না মহাক্না ইখি।

নবেম্বর ১দা টেলিকোমস রেগুলেটর অতরানা থাখিবা অমসুং রেগুলেটর অদুগী ওফিসল অমনা সাইন তৌখিবা লেট্টর অদুনা ইন্টরনেট কম্পেনিশিংদা থীন্থবা তৌদনা টেলিগ্রাম অমসুং ফেসবূক ইঙ্ককী ৱাটসঅপ সর্ভিসশিং নুমিৎ ২০ নি থীংজিন্নবা ডিরেক্সন পীখি।

অদুম ওইনমক সর্ভিস অদু চয়োল অসিদা মহৌশাগুম্না থবক তৌখি অমসুং ষ্টেটকী ওপরেটর সালাম অমসুং প্রাইভেট সর্ভিস প্রোভাইদরশিং অনীমক্না থাংজ নুমিৎতসু মহৌশাগুম্না থবক তৌবগী মওং উখি।

ইরাই নুমিৎতা মতেক খরা লেপ্পগী রিপোর্টশিং লৈখি তৌইগুম্বসুং মদু অতম্লনা সটদাউন তৌখিবরা নৎত্রগা ৱাটসঅপ সর্ভিসেসকী অতোপ্পা ইস্যুশিংনা থোকহনখিবরা হায়বদু খঙবা ঙমখিদে।